# ‘ইন্দিয়ান ব্র্যুমেন ফুটবোল টিম্না মায়থিবদা মণিপুরসু দায়ত্ব লৈ,খন্থমিন্নসি’

## এল. কালা, উরিপোক

ওরিষাগী ভুবনেশ্বরদা ফেব্রুৱারি ৯,২০১৯ দগী হৌরগা চৎলিবা থাসিগী ১৫ দা ফাইনেল মেটচ শান্নরগনি লেপ্তুনা পাঙথোকলিবা লৈবাক ৪ (মরি)গী নুপীগী ওইবা হেরো গোল্ড কপ–২০১৯ দা ইন্দিয়ানা অহুমশুবা মফমদা তাদুনা ফাইনেল শান্নবা ঙমহৌদবা হাইবসিদা ইন্দিয়ান নুপী ফুটবোল টিমগী শান্নবগী থাক অসি কদাই ফাওবা ৱাংলবগে হেনগৎলক্লবগে হাইনা হংনরকপা অমদি নৈন্নরকপদা মণিপুর অসি শোইদনা ৱারিনরক্কনি পন্নরক্কনি পন্নরক্তুবা য়ারোই ইন্দিয়াগী মশান্নসিগীদমক্তা থৱাই য়াওনা চেনলি–চোংলিবশিংনা মরমদি নুপবী ফুটবোল মশান্না অসি ইনিদয়াদা মণিপুরনা হৌখিবা চহি কয়াদগী লিশাং শিংনা হৌজিক ফাওবা মকোক থোংবা ওইদুনা লাকপগা লোইননা হৌজিক ইনিদয়ন টিম শেম্বা অসিদা মণিপুরদগী শান্নরোই ৯ (মাপল) দা নৎতনা ইন্দিয়ান কোচপু তেংবাংলিবা এসিষ্টেন কোচ অমদি গোল কিপ্পিং কোচ মণিপুরদগী ওইরুবনিনা মরম অমা ওইরগা মতাং শ্বাইদা ইন্দিয়া পোবা থোইবগী ৱাফমসিমা তোঙান্না লৈখ্রগা থমজনিংবা ৱাফমদি ইন্দিয়ান নুপী ফুটবোলদা ষ্টেট অতৈনা শকখংবীবা অমসুং ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদেরেসন্না মণিপুরবু থাজবা থমদুনা নুপী ফুটবোল থাক ৱাংখৎনবা হোৎনরিবসিদা লমদমসিগী ফুটবোল মশান্নগী এপেক্স বোদি অমা ওইরিবা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা) নসু পুন্নমক্কী থাজবা মাং হন্দনা করিগুম্বা অহেনবা থৌরাং খরদি নুপী ফুটবোলগীদমক পাং থোকপিফম থোকই লোইননা ইনিদয়াদা মণিপুর নুপী ফুটবোল্লরশিং অসিনা লৌরিবা থৌদাংসি য়াম্না হকচিন্না মনুং হনজিন্না ৱাখল খন্থরগা হেন্না পাকথোক চাওথোকহন্দুনা নুপী শান্নরোই মশিং হেনগৎহন্নবা থৌরাং লোইননা অফবা কোচ ত্রেন্নর মতম চুপ্পগী থমদুনা অশানবা মীৎয়েং অমা থল্লগা প্লন্নিং তৌদুনা ওল ইনিদয়া ফুটবোল ফেদেরেসনবু পুক্নিং চিংশিন্দুনা অফবা থৌরাং কয়া পাইখৎপিনবা হাইফম থোকই।

হোৎনহৌদ্রবা থবক ওইনা পাং থোকহৌদ্রবদি মণিপুর হরাওবা নুং ঙাইবা চাওথোকচবগী মহুৎতা মীমাং থোক্না ইকাইবা চোপ্পা নংবা শোইরোই। নোংমদি হেরো গোল্ড কপ ২০১৯, অসি ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদেরেসন্না ওরিষা লৈঙাক্না খুৎশম্নরগা পাং থোক্লীবগী মরু ওইবা ৱাখল্লোন্দি লাক্লীবা এপ্রিল ১,২০১৯ দগী ৯ ফাওবদা পাংথোক্কদৌরিবা ব্র্যুমেন ওলেম্পিক ক্কলিফাইয়িং রাওন্দ টু দা ইন্দিয়া গ্রুপ এ দা ম্যান্মার, ইন্দোনিসিয়া অমসুং নেপাল পুন্না তামিন্নদুনা শান্নগদৌরিবা অসিদা ইন্দিয়া অহুমশুবা রাওন্দ চংদবা য়াদে হাইবগী অচৌবা অশা অমগী প্রিপেরেশন তৌবদা য়াম্না কান্নবা ফংগনি ৱাখল্লোনসিদা থল্লগা মাংজৌন্না শিনবনি।

লৈবাক মরিগী ওইবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা ইনিদয়াগী মেটচতা ইন্দিয়াদগী ফিফা রেংকীংদা থাক অনী হাইগৎলগা ৬০ শুবদা লৈবা ইরানবু ১–০ দা মাইথিবা পীদুনা য়াম্না ফজবা শোইদনা ফাইনেল শান্নবা ঙমগনি হাইবগী মঙলান্দা চঙশিনবা হৌরকখি। অনীশুবা মেটচ ওইনা ফিফা রেঙ্কীংদা ইন্দিয়াগী য়াম্না হাইথনা ১০৮ দা লৈবা নেপালগী মখুৎতা ২–১ দা মাইথিখি। নেপালগী মখুৎতা মাইথিবা হাইবসি খংজিনবা য়াবসি ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল ষ্টেন্দর অসি মতম চুপ্পগী অয়াম্বা মতমদা মেনতেন তৌদুনা লৈতে হাইবসিগা লোইননা শান্নবা হাইবসি মতম চুপ্পদা চেকশিন্না শান্নগদবনি হৌবদগী হৌনা হাইবা পরা অসি ইন্দিয়ান কোচশিং অমদি ওফিসিয়েলনসু খংজিনহৌবা তাবনি। ইন্দিয়া অনীশুবা মেটচ মাইথিজরবসু ফাইনেলগী অশা মাংবদি নৎতবনিনা অহুমশুবা অরোইবা মেটচ ওইনা ম্যান্মারগা শান্নবদা থোইদবা য়াদে হাইনা ফিফা রেংকীংদা ইন্দিয়াদগী য়াম্না ৱাংনা ৪৪ শুবদা লৈবগা শান্নবা হৌরকপদা চেকশিনহৌদবনা ম্যান্মারনা গোল অমা মাংজিল থাদুনা চৎখিবনা ইন্দিয়া গোল অমা শোৎখনা লাকপনা অমুক লোইরগদবা মীৎকুপ খরগী মমাঙ মিনট ৮৪ চৎপা মতমদা পেনালর্টি অমা তাদুনা ম্যান্মারগী শান্নরোই ৱিন থৈঙ্গৈটুননা অশোইবা য়াওদনা কাওদুনা ইন্দিয়াবু ২–০ মাইথিবা পীদুনা ফাইনেলদা নেপালগা শান্নগদবগী চেম্পিয়ন ওইনবা শেম শাদুনা লৈখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদগী মাইথিহৌরবা ইন্দিয়ানা ব্র্যুমেন ওলেম্পিক ক্কালিফাইয়িং রাওন্দ টু দা অমুক য়ুম্বু ম্যান্মার,নেপাল অমদি ইন্দোনিশিয়া থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চংবা ঙম্ব্রা হাইবদু য়েংসি।

২০১৯ নুপী ফুটবোলগীদমক ওরিষা লৈঙাক্না এ আই এফ এফ কা খুৎশম্নরগা হেরো গোল্ড কপ পাংথোকপা ঙল্লগা মণিপুর লৈঙাক্না পাঙথোকপা ঙমদবগী মরম করিগীনো? ‘ইন্দিয়ান ব্র্যুমেন ফুটবোল মায়থিবদা মণিপুরসু দায়ত্ব লৈ’।

# য়ুরোপা লীগকী রাউন্দ ওফ ৩২ গী অহানবা লেগকী মেটচশিংদা

## ভেলেন্সিয়া, নাপোলি, ভিলারিয়েল অমদি চেলসি মায় পাকখ্রে

UEFA EUROPA LEAGUE



*সেল্টিক, ফেব্রুৱারি ১৫ঃ*

য়ুরোপকী মকোক থোংবা ক্লবশিংগী ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা য়ুরোপা লীগকী ঙসি শান্নখিবা রাউন্দ ওফ ৩২ গী অহানবা লেগকী মেটচশিংদা স্পেনগী ভেলেন্সিয়া অমদি ভিলারিয়েল, ইটালিগী ক্লব নাপোলি অমদি ইংলেন্দগী ক্লব চেলসি মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি স্কোটলেন্দগী ক্লব সেল্টিকনা য়ুম্বু ওইদুনা শান্নখিবা ৩২শুবা রাউন্দগী অহানবা লেগকী মেটচতা স্পেনগী ক্লব ভেলেন্সিয়ানা পাঞ্জল ২–০ দা থোইরমখি।

মেটচ অসি হৌবদগী লম্বা মান্নরকপদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লক্লবা ফাওবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি। শান্নবগী ৪২শুবা মিনটতা ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা দেনিস চেরিসেভনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–০ দা হেল্লগা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৪৯শুবা মিনটতা ভেলেন্সিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই রুবেন সোব্রিনোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ভেলেন্সিয়ানা ২–০ দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখবা ৩২শুবা রাউন্দগী অহানবা লেগকী মেটচতা ইটালিগী ক্লব নাপোলিনা স্বিটজরলেন্দগী ক্লব জুরিকপু ৩–১ দা থোইরমখি। নাপোলিগী পাঞ্জলশিং অদু লোরেঞ্জো ইনসাইন (১১), জোস মারিয়া কাল্লেজোন (২১) অমদি পিওটর জিলিনস্কী (৭৭) শুবা মিনটতা চনখি। জুরিককী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা ৮৩শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংনা বেঞ্জামীন কোলোল্লিনা চনবা ঙমখি।

য়ু ই এফ এ য়ুরোপা লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা রাউন্দ ওফ ৩২ গী অহানবা লেগকী মেটচ অমদা ইংলেন্দগী ক্লব চেলসিনা স্বিদেনগী ক্লব মালমোবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইরমখি।

মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চেলসিগী রোজ বারক্লিনা ৩০শুবা মিনটতা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি। অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৮শুবা মিনটতা চেলসিগী শান্নরোই ওলিভর জিরোদনা পাঞ্জল অমগা হাপচিনবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৮০শুবা মিনটতা স্বিদেনগী ক্লব মালমোগী শান্নরোইশিং এন্দর্স খৃষ্টিয়ানসেননা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখ্রবসু মেটচ অদু চেলসিনা মালমোবু ২–১ দা থোইরমখি।

য়ুরোপা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ৩২শুবা রাউন্দগী অহানবা লেগকী মেটচ অমদা স্পেনগী ক্লব ভিলারিয়েলনা পোর্টুগালগী ক্লব স্পোর্টিং সি পিবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইরমখি।

মেটচ অসিদা ভিলারিয়েলগী মায়কৈদগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ওল্লিঙৈ মতম ৩শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোই অলফোন্সো পেদ্রাজানা চনবা ঙমখিবনি।

# সোনিয়া অমদি লোভলিনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

*সোফিয়া, ফেব্রুৱারি ১৫ঃ*

বলগেরিয়াগী কোনুং সোফিয়াদা চখ্খরিবা ৭০শুবা ষ্ট্রান্দজা মেমোরিয়েল বোক্সিং টুর্নামেন্টতা ইনিদয়াগী নুপী বোক্সর সোনিয়া লাথর অমদি লোভলিনা বোরগোহেন ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী কেজি ৫৭কী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা ইন্দিয়াগী সোনিয়া লাথরনা সর্ভিয়াগী জেলেনা জেকিকপু য়াম্না লায়না পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা অমেরিকাগী য়ারিসেল রামিরেজগা থিন্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী কেজি ৬৯গী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা ইন্দিয়াগী লোভলিনা বোরগোহেননা ওষ্ট্রেলিয়াগী জেসিকা মেসিনাবু মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

নুপীগী কেজি ৬৪গী কাঙলূপ্তা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী পৱিলাও বাসুমাটারিসু টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক বলগেরিয়াগী মেলিস য়োনুজোভাবু ৩–২ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা ক্রোএসিয়াগী মারিজা মালেসিয়াগা থিন্নরগনি।


ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপী বোক্সর মন্দিপ জাঙ্গ্রা (কেজি ৬৯) অমদি হর্স লাক্রা (কেজি ৮১) অহানবা রাউন্দগী বাওটশিংদা মায়থিদুনা লৈহৌখি।

| ক্রোসৱার্দ ৭৪ গী পাউখুম | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | P | E | R | | T | O | A | S | T | | R | A | T | E |
| R | A | R | E | | H | E | N | C | E | | E | C | H | O |
| O | N | E | S | | O | R | G | A | N | | A | M | E | N |
| S | E | C | T | O | R | | E | L | S | | L | E | N | S |
| E | L | T | O | N | | O | L | D | E | S | T | | | |
| | | | R | A | B | B | I | | | L | O | C | A | L |
| C | O | M | E | | R | E | C | U | P | E | R | A | T | E |
| A | H | A | | H | I | S | | P | A | D | | L | O | G |
| M | I | L | L | I | M | E | T | E | R | | E | L | M | S |
| P | O | L | A | R | | | E | N | E | M | Y | | | |
| | | | N | E | A | R | E | D | | R | E | R | A | N |
| B | O | A | T | | C | O | N | | A | S | S | U | R | E |
| E | A | S | E | | I | S | A | A | C | | O | L | E | S |
| S | T | I | R | | D | I | G | I | T | | R | E | N | T |
| T | H | A | N | | S | E | E | D | S | | E | R | A | S |



# থিয়েটর ফেষ্টিভেল ওফ ক্রিয়েটিভ দাইরেক্টর্স

## এন টি থিয়েটর, মণিপুরগী ‘গন্ধারী’ উৎখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৫ঃ

মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী, ইম্ফাল, ইষ্টর্ন জোনেল কলচরেল সেন্টর (ই জেট সি সি) কোলকটা অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর অহুম্না পুন্না খুৎশম্নরগা থিয়েটর ফেষ্টিভেল ওফ ক্রিয়েটিভ দাইরেক্টর্স হায়না মিংথোনবা ফেব্রুৱারি ১০ দগী হৌরগা ফেব্রুৱারি ২০, ২০১৯ ফাওবা নুমিৎ ১০ নি চুপ্পা চখ্খগদবা থিয়েটর ফেষ্টিভেলগী ঙসি হুমনিচনবা নুমিৎতা মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি ওদিটোরিয়ম পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফালদা এন টি থিয়েটর, মণিপুরগী ‘গন্ধারী’ উৎখি।

তশেংবগীদি দ্রামা অসি ঙসি তরুকনিচনবা ফেষ্টিভেলগী শরুক অমা ওইগদবনি। অদুবু লৈবাক্কী তঙাইফদ্রবা থবক থৌরমশিং লৈখিবনা মরম ওইরগা হৌখিবা তাং ১১, ১২ অমদি ১৩ দা দ্রামা সো মীয়ামদা উৎপা ঙমখিদে। নুমিৎ হুম্নি লৈবাক্কী তৌফদ্রবা থবক্না মরম ওইদুনা লেপ্পুরগা ঙসি এন টি থিয়েটর, মণিপুরগী ‘গন্ধারী’ হায়না মিংথোনবা দ্রামা উৎখি।

দ্রামা অসিদা শক্তম লাংখিবশিংদি– ধৃটরাষ্ট্রগী শক্তমদা ও গজেন্দ্র, দুর্যোদ্ধনগী শক্তমদা কে প্রেমকুমার শর্ম্মা, অসোথামাগী শক্তমদা এন জি সোমোরজিৎ, সঞ্জয়গী শক্তমদা দল্লিয়ু সুরজ, কৃষ্ণগী শক্তমদা জি নিসিকান্ত শর্ম্মা, কোরস। লাম্নীদা টি ঐচ দেবিদ, কে প্রিয়োবর্ত্ত, টি ঐচ পারি, এন পুন্সিবা, এল মেকোলিন, টি ঐচ সানুনি। গান্ধারীগী শক্তমদা বালা তেনসুবম, কোরসতা এল রোসিমা, এস রোসনি, কেএসঐচ ব্রেনি, এস মোনা, কে সোনিবালা অমদি এম হেনানি।

ষ্টেজ সেট্টিংদা– টিঐচ দেবিদ, ও গজেন্দ্র, ফিজেৎ লৈতেংদা–কে প্রিয়োবর্ত্ত অমদি এল রোসিমানি। শক শেম্বদা–পি অঙৌ, ওদিও ট্রেক্তা পারি খুমন, মৈদা ঐচ নিখিল, প্রদক্সন মেনেজর রোনিকা মুতুম, এদভাইজর অমসুং চীফ কন্সলটেন্টতা নিংথৌজা জয়বিদ্যা, প্লে রাইটতা নিলধজা খুমন, দিজাইন অমসুং তাকপী–তন্বীবদা নিংথৌজা দিপক, দ্রামা পুথোকপা এন টি থিয়েটরনি।

দ্রামা অসি মহাভারত্তা য়ুম্ফম ওইরগা পুথোকপনি। লাননা মীওইবা খুনাইদা পীরিবা তমথিরবা চৈথেং অদুবু উৎনবা হোৎনবনি। কুরুক্ষেত্রগী লানফমদা কৌরব হায়না খঙনবা মচিন মচাও ১০০বু পাণ্ডব হায়না খঙনবা মচিন মনাও ৫ না তুম্না হাৎখরম্মী। ১০০ পোকপী মমা ইবেম্মা গন্ধারীনা মচা ১০০ না লানফমদা শিখ্রবা মতুংদা অশুক্কী মতিক মথৱাই শোক্তুনা কৃষ্ণগী মফমদা শ্রাপ তৌখি। মহাক্না লান অসি ইরাই লায়না খাল্লম্বা ঙম্বনি। অদুবু মহাক্না লান খাম্বগী মহুত্তা পাণ্ডবশিংগী মায়কৈদা তোং শিন্দুনা কৌরবকী মায়োক্তা লান শিংনহনখি। মহাক্না মচিন মনাওশিংগী মরক্তা ঈগী সমুদ্রা শেম্বা পামখি। লান হায়বসিনা মরাল লৈজদ্রবা করিসু খঙজদ্রিবা পীক্লিবা অঙাং ফাওবা হাত্তোকপীখি। অসোথামানা ব্রহ্মহষ্ট কাপ্তুনা মরাল লৈজদ্রবা মীচম কয়াবু হাৎখিরম্মী। মদুনা কুরুক্ষেত্রগী লানফমদা ঈগী মচু শঙখি। মমৈথংদা গন্ধারীনা কৃষ্ণদা তৌখিবা শ্রাপ অদু কৃষ্ণ মশামক্না নোক্না লৌরে হায়রকখি। অরোইবদদি লাননা করিসু অফবা পুরক্তে শুপ্নতগী মাঙ তাকহনবা হায়বসিতনা লানগী মথৌনি হায়না পাউজেল অমা পীরদুনা দিরেক্টরনা ইং–তপ্পা নুংশি চান্নবা শক্তম অমা শাগৎনিংবগী অপাম্বা অদু দ্রামা অসিনা উৎখি।

দ্রামা অসি হৌবা অহানবা সিনদা লানগী চৈথেং ফংলবা মৱামপুরোইবা কায়নদুনা নৌনা লুখ্রা ওইহৌরবীশিংনা মীৎলু পিরাং শিন্থদুনা লানফমদা শিরগা তাদুনা লৈরিবশিংগী মরক্তা তেংথাজবনা অহৌবা অহানবা সিন ওইখি।

মথংদা শিব মহাদেবগী মফমদা



অদুঙৈ সনাগী লৈহাও কৎপা মতমদা চাম্মা পোকপী মমা গন্ধারীনা মনিং থুংদবা পেন্দবা লৈবদগী মচাশিংগী মফমদা তৌখিবা শ্রাপ অদু মঙোন দা ওনশিন্দুনা ফংজখি। লানফমদা পাণ্ডুগী য়াইমা ভিমনা দুর্যোদ্ধনগী ফৈরুদা গাধানা থোমদুনা নুংশি হৈতনা মহাকপু হাৎনবা হোৎনখি। দ্রুর্যোধনগী মতৌ অদুদা অসোথামানা করি তৌরগা পেনগদগে হায়বদা কুইনা হিংলরোইদবা ঐগী থৱাইগা হকচাংগা কায়নদ্রিঙৈ মতমসিদা মখোয় মঙাগী মঙক্তু কক্তুনা ঐঙোন দা পীরবদি পেনগনি হায়রক্লবদা আসোথামানা পাণ্ডু মঙাগী মঙক কক্কনি চৎখ্রগা মখোয়গী পীক্লিবা মচা ৫ গী মঙক কক্তুনা পুরকখি। অককপা মকোকশিং অদু দুর্যোদ্ধনদা পীরবা মতুংদা পাণ্ডুগী মকোক নত্তে। করিসু খঙজদ্রিবা মখোয়গী পীক্লিবা মচাশিংগী মকোক্লি অদুনা নঙনা অরানবা পাপ অমা তৌরে হায়রম্লগা দুর্যোদ্ধনগী অরোইবা শ্বর হোনখি। আশোথামানা খন্থহৌদনা ব্রহ্মষ্ট্র কাপ্তুনা মহাক্কী অশাওবনা মাঙওইনদুনা মরাল লৈজদ্রবা নুপী অঙাং ফাওবা হাৎখি। ৱাফমসি গন্ধারীনা কৃষ্ণগী মফমদা শ্রাপ তৌবা মতমদা কৃষ্ণনা মনেম গন্ধারীদা পন্দুনা থৌদোকশিং অসিগীদি ইনেমতোননা শ্রাপ তৌরোইদ্রা হংলকখি। মদু পুন্নমক খঙলবা মতুংদা গন্ধারীনা শ্রাপ অদু হন্দোক্লগে হায়রকপদা ইনেমতোননা ঐঙোন্দা পীরকখিবা শ্রাপ অদুদি ঐনা হরাও হরাও লৌরবনি হায়খি।

অসুম্না মহাভারত্তগী হৌরদুনা ঙসি ফাওবদা লাননা মীওইবা খুনাইদা মাঙজবা নত্তনা তোংজবা অমত্তা পীদে হায়বদু দ্রামা অসিনা উৎখি। দ্রামা অসিদা শক্তম লাংলিবা লাংলিবী পূম্নমক মখোয়–মখোয়দা দিরেক্টরনা পীরিবা শক্তমশিং অদু মশাগী মতিং থোক্না অয়েংবা মীয়ামদা উৎথোকপা ঙমখি। অহৌবদা পীখিবা নৌনা লুখ্রা ওইহৌরবীশিংগী মীৎকপ মীরাওখোলগী খোঞ্জেল অদুমদি খজিক্তুং য়েংশিনবীরবদি হেন্না ফগনি খল্লি।

# নেসনেল বেদমিন্টনগী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা সিন্ধু অমদি সাইনা থেংনরগনি

*গুৱাহাটি, ফেব্রুৱারি ১৫ঃ*

অসামগী সিটি গুৱাহাটিদা চখ্খরিবা ৮৩শুবা য়োনেক্স সনরাইজ সেনিয়র নেসনেল বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা পি ভি সিন্ধু অমদি সাইনা নেহৱাল শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা সেমি ফাইনেলগী মেটচ অমদা পি ভি সিন্ধুনা অসামগী অসমিতা চালিহাবু ষ্ট্রেট গেম ২১–১০, ২২–২০ দা থোইরম্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

সিন্ধুগা ফাইনেলদা শান্নগদৌরিবী সাইনা নেহৱালনা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা নাগপুরগী ক্বালিফায়র ভাইসনাভি ভালেবু ২১–১৫, ২১–১৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙলকপনি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা মমাঙদা ৱার্ল্ড নম্বর ৩০ ওইরম্লবা সমির ভর্মনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা বি সাই প্রনিথপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২১–১১, ২১–২৩, ২১–১৮ দা থোইরম্লগা মথংগী রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী দবলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা মেঘনা জাক্কমপুদি অমদি পুরভিসা এস রামনা কুহু গর্গ অমদি অনৌস্কা পারিখপু ২১–১৩, ২১–১৬ দা থোইরম্লগা ফাইনেলদা সিখা গৌতম অমদি আস্বিনি ভটকা লম্বা তৌনরগনি। সিখা অমদি আস্বিনিনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা অপরনা বালন অমদি স্রুথিবু ২১–১৯, ২৪–২২ দা থোইরম্বনি।

নুপাগী দবলসকী সেমি ফাইনেল মেটচতা প্রনব জেরি চোপ্রা অমদি চিরাগ সেথিনা অরুন জোর্জ অমদি সানয়াম সুক্লাবু ২১–১৭, ২১–১৮ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION.
MANIPUR.

CORRIGENDUM

Imphal, the 14th February, 2019

No. 2/61/97-HSC: In partial modification of this office notification of even number dated the 11th February, 2019 (i.e. Centre-wise allocation of candidates of the constituent institutions to the Council Centres). It is, hereby, notified for information to all the concerned that the address of the Pioneer Academy is wrongly printed as Palace Compound, Imphal instead of which the correct address "Bamon Kampu". Hence, the name and address of the examination centre occurring at Sl. No. 13 in the Examination Centre list of the ensuing Higher Secondary Examination, 2019 should be read as the "Pioneer Academy, Bamon Kampu, Imphal".

Sd/-Ph. Mantri Singh
Controller of Examinations,
Council of Hr. Sec. Edn.,
Manipur

SL/BILL/16

COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION.
MANIPUR.

NOTIFICATION

Imphal, the 14th February, 2019

No. 1/2/92-HSC(Vol-III): In continuation to the Office Notification No.2/18/96-HSC dated 1-2-2019, 11-2-2019 and this office letter No. 1/261/00-HSC dated the 30th January, 2019, the postponed meetings/briefing session of the Flying Squad. Team Members of the ensuring Higher Secondary Examination, 2019 and the Student Organizations are hereby rescheduled as below:

| Sl. No. | Category | Date | Time |
|---|---|---|---|
| 1. | Meeting of the Flying Squad Team of College Faculty Members | 16/02/2019 | 10:00 a.m. |
| 2. | Meeting of the Flying Squad Team of Higher Secondary School Faculty Members | -do- | 12:30 p.m. |
| 3. | Briefing Session of the Student Organizations | -do- | 3:00 p.m. |

All the concerned are, therefore, requested to make it convenient to attend the meeting/briefing session on time without fail.

Sd/-Ph. Mantri Singh
Controller of Examinations,
Council of Hr. Sec. Edn.,
Manipur

SL/BILL/16

PALACE DENTAL CARE

Wangkhei Angom Leikai, Opposite to Thangal Temple
Imphal East

Newly Open

* Free consultation & 50% discount
on all treatments upto 20th Jan. 2019

Newly Open

Treatments available:-

1. Scaling & Root Planning.
2. Filling, RCT, Pulpectomy, etc.
3. Crown & Bridge.
4. Extrations.
5. RPD, FPD & Complete Dentures
6. Braces & Orthodontic treatments. etc.

Sunday
8 AM. to 12 Noon.

X-ray available

Visiting Hours
8:30 AM. to 4:30 PM.

For more details
Please Contact:
Dr. Laishram Sulochana Devi (BDS)
Phone No. 8787891896 / 9774011715

SL/PAI/30 Days from 6-1-19

A SUNSHINE PHYSIOTHERAPY CLINIC

SINGJAMEI MAYENGBAM LEIKAI, IMPHAL WEST

Treatments
- Fracture
- Frozen Shoulder
- Back Pain
- Knee Pain
- Arthritis (Hip, Knee joints, Gout)
- Stroke
- Bell's Palsy
- Other neurological Conditions

Instruments
- Tens
- Ultrasound
- IFT
- Traction
- Paraffix wax bath
- Muscle stimulator
- Laser Theraphy
- Tread Mill
- Hot Pack
- Pully
- Shoulder wheel
- Ladder
- Swiss Ball
- Ankle Exerciser
- Static Cycle

Sunday Closed

Home visit available

Visiting Hours
8 AM. to 12 Noon. & 2 PM. to 5PM.

Please Contact:
Dr. Sougrakpam Roshini (MPT)
Phone No. 9089679415 / 9899141163
Email- asunshine489@gmail.com

SL/BILL/AI/30 Days upto 3rd Feb. 2019